

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, MAY 28, 2019 **PAGE 7**

*পি এফ এ ফেন্স এৱার্দ ফোর প্রেমিয়র লীগ ২০১৯ গী মনা ফংখ্রবা চেলসিগী ষ্টার শান্নরোই বেলজিয়ম মচা ইদেন হজার্দ*

*ওইথংবা খুদাং শোক্তুনা চথরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিসতা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদ্রবী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভা*





## সরনোবটনা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ্তা গোল্ড লৌদুনা ওলিম্পিক কোটা ফংখ্রে

*ম্যুনিক, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*

জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা চথরিবা ইন্টরনেসনেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদেরেসন (আই এস এস এফ) ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর রাহি সরনোবটনা মিটর ২৫ গী পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমদুনা কুমজা ২০২০ দা জপানগী কোনুং টোকিওনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্স গেমস অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

সুট্টিং ৱার্ল্ড অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ২৫ গী পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী ফাইনেল রাউন্দগী ৮শুবা অমদি ৯শুবা সোটতা ইন্দিয়াগী সুট্টর রাহি সরনোবটনা পার্ফেক্ট স্কোর ফংদুনা পুন্না পোইন্ট ৩৭ স্কোর তৌদুনা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবগা লোয়নননা ওলিম্পিক কোটাসু ফংবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা ওরেনানা পোইন্ট ৩৬ স্কোর তৌদুনা লৌখি অদুগা ব্রোঞ্জ মেডলনা বলগেরিয়াগী সুট্টর এন্টোৱানেটো বোনেভানা স্কোর ২৬ তৌদুনা ফংখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী



*মিটর ২৫ গী পিষ্টোলদা গোল্ড লৌখ্রবী ইন্দিয়াগী রাহি সরনোবট*

ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকর ৫শুবা পোজিসন তাহৌখি।

নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ঙসি পাঙথোকখিবদা ইনি দয়াগী সুট্টর সৌরভ চৌধারিনা পোইন্ট ২৪৬.৩ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল ফংবগা লোয়নননা অনৌবা সেনিয়র অমদি জুনিয়র ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

সৌরভ চৌধারিনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা পোইন্ট ২৪৫ স্কোর তৌদুনা অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি। অদুগা জুনিয়র ৱার্ল্ড রেকোর্দনা পোইন্ট ২৪৫.৫ স্কোর তৌদুনা থমখি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা রুশিয়াগী সুট্টর অরটেম চেরনোনসোভনা পোইন্ট ২৪৩.৮ স্কোর তৌদুনা ফংখি।

ম্যুনিক ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইনিদয়ানা গোল্ড মেডল ৩ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা চাইনানা গোল্ড ১, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি।

## শান্নরোই তরুক রিলিজ তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*

মথং থাদা থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা কিংস কপ্তা শরুক য়ানবা প্রিলিমিনারি স্কৱাদ ৩৭ খনগৎখিবগী মনুংদা শান্নরোই ৬ রিলিজ তৌখ্রে।

প্রিলিমিনারি কেম্প অসি থা অসিগী ২১ দগী লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা চথরকখিবনি। নুমিৎ ৬নি ত্রেনিং চথরবা মতুং ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগী নৌনা কোচ ওইনা খনখ্রবা ক্রোএসিয়া মচা ইগোর ষ্টিমেকনা শান্নরোই ৬ অসি কেম্প অসিদগী লৌথোকখিবনি।

প্রিলিমিনারি কেম্প অসিদগী লৌথোকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপর ভিসাল কাইথ, মিডফিল্ডর জরমপ্রিত সিংহ, নন্ধা কুমার, রেদিম টলাং, বিক্রমজিৎ সিংহ অমদি ফোরৱার্দ শান্নরোই সুমিত পাসিনি।

কিংস কপ অসিগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা জুন ৫ দা কুরাকাওগা শান্নগনি অদুগা নুমিৎ অসিমক্তদা য়ুম্বু থাইলেন্দনা ভিয়েটনামগা শান্নগনি। মেটচশিং অসি মায় পাকপা টিম অনী অদুনা জুন থাগী ৮ দা ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

## সর্ভিয়াগী জোকোভিস অমদি স্পেনগী নদাল ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*পেরিস, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অমদি স্পেনগী রাফেল নদাল মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহানবা সিদেদ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা অহানবা রাউন্দদা পোলেন্দগী হর্বর্ট হুরকাজবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাওন্দ য়ৌখি।

অহানবা সেটতা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সর্ভিয়াগী জোকোভিসনা পোলেন্দগী হর্বর্ট হুরকাজগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট শান্নরকপদগী সর্ভিয়াগী জোকোভিসনা পোলেন্দগী হর্বর্টপু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী সেট অদু অদু ৬–২, ৬–২ দা মায়পাক্তুনা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী রাফেল নদালনা নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ক্বালিফায়র জর্মনিগী য়ানিক হান্‌ফমানবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬–২, ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ২৪শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা স্লোভাকিয়াগী জে।জেফ কোভালিকপু লম্বা মান্নখিবা মেটচ অমদা ৬–১, ৬–৭(৩–৭), ৬–২, ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী শান্নরোই রিচার্দ গাস্কেটনা নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেভপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোই পিটর গোজোজিকপু ৭–৬(৭–৪), ৬–১, ৪–৬, ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোই পোলিন পারমেন্টিয়রবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

রুশিয়াগী শান্নরোই ভেরোনিকা কুদরমেটোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীবু ০–৬, ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরমদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

স্লোভাকিয়াগী ভিক্তোরিয়া কুজমোভানা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটপু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। রোমানিয়াগী সোরানা কিরষ্টিনা স্লোভেনিয়াগী কাজা জুভানগা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৫–৭, ৬–৪, ৭–৫ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।





*অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস (ওই) অমদি স্পেনগী রাফেল নদাল*

## অটলান্টানা সাসুলোবু ৩–১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন্স লীগতা ক্বালিফাই ওইখ্রে, মিলাননা য়ুরোপা লীগতা চঙখ্রে

*রোম, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ৩৮শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা অটলান্টানা সাসুলোবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা তাদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে। মিলাননা স্পালবু ৩–২ দা থোইখ্রবসু টেবলগী ৫শুবা তাদুনা টিম অসিনা য়ুরোপা লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

অটলান্টা অমদি সাসুলোনানা শান্নখিবা সেরি এগী ৩৮শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী ১৯শুবা মিনটতা সাসুলোগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দোমেনিকো বর্নার্দিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল শোথরিবা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ৩৫শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা দুভান জাপাটানা পাঞ্জল অমা চনশিল্লগা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নরবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা অটলান্টাগী শান্নরোই পাপু গোমেজনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অটলান্টাগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা টিম অসিনা মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা মারিও পাসেলিকনা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমদুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৫ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী অটলান্টানা সাসুলোবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা পোজিসন তাদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ৩৮শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ইন্টরনা ইম্পোলিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা অটলান্টাগা পোইন্ট চপ মান্নরবসু টেবলদা ৪শুবা পোজিসন তাদুনা চেম্পিয়ন্স লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

ইন্টর অমদি ইম্পোলিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট ৪৫ হৌজিনখ্রবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙমদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা কৈটা বাল্ডেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল শোথদুনা লৈরিবা ইম্পোলিগী শান্নরোই হামেদ জুনিয়র ত্রাওরেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা পাঞ্জল ১–১ দা লৈখি।


ইক্বেলাইজর ওইখ্রবা মতুং মিনট ৫ লৈরগা ইন্টরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রাদজা নাইঙোলাননা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা ইম্পোলিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরম্লগা য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৩৮শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা মিলাননা স্পালবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইবা ঙমখ্রবসু পোইন্ট টেবলগী ৫শুবা পোজিসনদা লৈদুনা য়ুরোপা লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা মিলানগী হাকান কালহানোগ্লুনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। ২৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই ফ্রাঙ্ক কেসিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

২৮শুবা মিনটতা স্পালগী ফ্রান্সেস্কো ভিকারিনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা ১–২ দা শোথরবা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা স্পালগী শান্নরোই মোহমদ ফারেসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–২ দা মান্নহনখি।

মেটচকী ৬৬শুবা মিনটতা মিলাননা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ফ্রেঙ্ক কেসিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মিলাননা স্পালবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইদুনা সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী ৫শুবা তাদুনা য়ুরোপা লীগকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।



## ইদেন হদার্জনা পি এফ এ ফেন্স এৱার্দ ফংখ্রে

*লন্দন, মে ২৭(এজেন্সি)ঃ*

চেলসিগী ষ্টার ইদেন হদার্জনা লিভরপুল অমদি মেঞ্চেষ্টর সিটিগী ষ্টার শান্নরোইশিং মায়থিবা পীরম্লগা পি এফ এ ফেন্স প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে।

চেলসিদা শান্নরিবা বেলজিয়ম মচা ইদেন হজার্দনা কুমজা ২০১৮–১৯ ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ সিজনদা গোল ১৬ চনবা ঙমখি। অদুগা টিমমেটশিংনা চনখিবা গোল ১৫ না মহাক্কী মতেং চাওনা য়াওখি।

চেলসিগী ষ্টার শান্নরোই ইদেন হজার্দনা ফুটবোল রাইটর্স এসোসিয়েসন ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মমিংদা য়াওখ্রবা ভান দিজিক, সাদিও মানে, বর্নাদো সিলভা, সর্জিও এগুইরো অমদি রাহিম ষ্টলিংবু মায়থিবা পীরম্লগা পি এফ এ এৱার্দ অসি লৌবা ঙমখিবনি।

ইদেন হজার্দ লাক্লিবা য়ুমশাকৈশ নুমিৎকী অথেংবদা বাকুদা শান্নগদৌরিবা য়ুরোপা লীগকী ফাইনেলগীদমক শেম শাদুনা লৈরিবনি। মশাগী চহী ২৮ শুরবা ইদেন হজার্দ চেলসি ক্লবতা চহী ১ শান্নগদবা ৱাৎলি। মসিগী মতুংদা স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব রিয়েল মাদ্রিদতা চৎনবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরিবনি।


**ISOR**

**INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES**

(A Co-Educational Hr. Sec. School of Science under COHSEM)

CANCHIPUR

**Admission Open**

**to Class XI Science (2019-20)**

**Facilities & Offers :**

1. Free studentship, Book Grant, Hostel/Bus Fees with a Scholarship of ₹ 10,000/- per Month for Position Holders (1st -25th ) in HSLC Exam. 2019 (For XI & XII Classes).
2. Free Admission, Tuition, Hostel/Bus Fees, Book Grant, For Securing 80% and Above (For XI & XII Classes)
3. Free Admission and Monthly Tuition Fees for Students Securing 75% and Above (for XI Class only).
4. Only Half Admission and Half Tuition Fees for Students Securing 70% and Above (For Class XI only).
5. Only Half Admission fees for Students Securing 60% and Above (For Class XI only).
6. Free Coaching for the 1st 80 Students Admitted to Class XI in the Subject Phy, Chm, Bio & Mth.
7. Free School Bags for Every Admitted Students.

For more details, Please Contact Principal ISOR

SL/4634/ 22nd May to 15 days

**ISOR - Educating the Minds to start-up**


### ক্রোসৱার্দ ১৭২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | E | A | R | ■ | A | S | I | A | N | ■ | S | O | F | T |
| O | A | H | U | ■ | L | U | N | G | E | ■ | O | G | L | E |
| U | S | E | S | ■ | L | E | G | A | L | ■ | O | R | E | S |
| T | E | A | S | E | ■ | D | O | T | S | ■ | N | E | W | T |
| E | L | D | E | R | S | ■ | T | H | O | S | E | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | L | I | E | N | ■ | A | N | I | S | T | O | N |
| T | A | B | L | E | T | O | P | ■ | ■ | S | T | A | L | E |
| E | R | R | ■ | ■ | S | T | E | A | L | ■ | ■ | C | E | E |
| R | E | A | M | S | ■ | ■ | A | G | I | T | A | T | O | R |
| M | A | T | I | S | S | E | ■ | O | V | E | R | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | S | E | A | L | S | ■ | E | A | R | T | H | S |
| T | O | I | L | ■ | L | E | W | D | ■ | S | I | R | E | N |
| R | I | D | E | ■ | A | V | E | R | T | ■ | V | A | N | E |
| E | L | L | A | ■ | M | E | D | I | A | ■ | A | C | N | E |
| E | Y | E | D | ■ | I | N | E | P | T | ■ | L | E | A | R |

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 838/SDC/P of 2019

Anga Kamei S/o (L) Pheijapu Kabui of Ragailong
Petitioner

-Vs-

K. Pheijapu Kabui S/o (L) Makhari Kabui of Ragailong
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 27-5-2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 25 (A)-Kabo Leikai গী Patta No. 938/1641 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1537/1543 an area .0335 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

SL/Bill(L)2/28

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 841/SDC/P of 2019

1. Takhelchangbam Robichandra Sharma S/o (L) Nodiyachand Sharma of Khurai Kongpal Thongam Leikai
2. -do- Anjalika Devi D/o Robichandra Sharma of Khurai Kongpal Thongam Leikai

Petitioner

-Vs-

Takhelchangbam Nodiyachand Sharma S/o Mani Sharma of Khurai Thongam Leikai
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 27-5-2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 16-Laishram Leikai গী Patta No. 56 (O) (অরিবা) 187 (N) (অনৌবা) C.S. Dag No. 45 an area 0.60 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

SL/Bill(L)1/28

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 268/SDC/IE (B) of 2019

Shri Naorem Shamungou Singh S/o (L) N. Mukta Singh of Thongju Part-II
Petitioner

-Vs-

(L) Naorem Athoi Devi D/o (L) N. Mukta Singh of Thongju Part-II
O.P.

**NOTICE**

Bashikhong, the 27th May 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি–Imphal East Bashikhong Circle গী Village No. 56-Bashikhong গী Patta No. 320 (অরিবা), 256 (অনৌবা) Dag No. 750 measuring an area on the western side out of .08500 acre গী Co-Pattadar No. 3 অসি মৃঃ (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Pettitioner না লৈখিদ্রবা Pattadar গী মমিংদা লৈবা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট / application থাররে।

মরম অসিনা পাওচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC/ Bashikhong Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌরোই।

SL/B/ (L) 4/ 28

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East